# সব–জুনিয়ার বোইজ নেস্লেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ মেঘালায়ানা গ্রুপ এগী ক্বালিফাই ওইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৪ঃ
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদেরেসন (এ আই এফ এফ)কী মিৎয়েং মখাদা ওল মণিপু ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না শিন্দুনা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট ৬ ( মণিপুর, ত্রিপুরা, মিজোরাম, অসাম, মেঘালায়া অমদি অরুনাচল প্রদেস)না শরুক য়াদুনা মমাং থাগী ৩০দগী আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দ খুমন লম্পাক্তা চথরকখিবা সব–জুনিয়ার বোইজ নেস্লেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭, নোর্থ ইষ্ট জোনগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মেঘালায়ানা মণিপুরবু গোল ১–০দা থোইদুনা গ্রুপ বিগী মেঘালায়া ক্বালিফাইদ ওইখ্রে। ফাইনেল রাউন্দনা নোর্থ ইষ্ট জোনগী ওইনা অসাম অমদি মেঘালায়ানা শরুক য়ারগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী গ্রুপ বি অরোইবা মেটচ ওইনা ঙসিগী মেটচতা মেঘালায়া অমদি মণিপুর টিম অনিনা লম্বা চান্না শান্নবদা মেঘালায়ানা গোল ১–০দা মণিপুরবু মায়থিবা পিখ্রে।

মেটচ অদু অহানবা হাল্ফ লোয়রমদাই ফাওবা নাকল অনিমক্না গোল অমফাওবা চন্নবা ঙম্মখিদে। অদুবু মেটচ অদুগী মিনট ৪২ চৎপদা মেঘালায়ানা ফংখিবা পেনাল্টি কিক অমদা টিম অসিগী আইবোরলাং লিংদোহনা গোল ১ চন্দুনা মেটচ অদু মেঘালায়না মায় পাকখিবনি।

মেটচ অদুগী মিনট ২০, ৫৬ অমদি ৮২দা মেঘালায়াগী গ্লেন্নি গোদফ্রে লিনরাহ, তোরিলাং ৱান্নলাং, ফেয়ার্লিষ্টার সতিং অমদি মিনট ৪৫ প্লস ১, ৪৫ প্লস ৪ অমদি ৭০দা মণিপুরগী এম কে চোংসু চোথে, লবুকতোংবম রোসন, নোংথোম্বম রোহেন অমদি মাইরেনবম জেটলিবু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

# এম য়ু টেন্নিস অমসুং তাইক্বান্দো টিমগী মেম্বরশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৪ঃ
চহি অসিগী ওক্টোবরগী তাং ১দগী ৪ ফাওবা ভুবনেশ্বরগী কেআইআইটি দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টেন্নিস (মেন) টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮ দা শরুক য়াগদবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি (মেন) টিমগী মেম্বরশিং খনখ্রে।

খল্লবা শান্নরোইশিং অদুদি বিরামঙ্গোল কোলেজ শওম্বুংদগী হুইদ্রোম বেক্কর, দিএমসি (সাইন্স) তগী অতাপ লৈশাংথেম, এলএমএস লো কোলেজদগী আর কি প্রিতম সিংহ, এময়ুদগী থোইহেনবা খুমুকচম অমদি রোয়াল একাদেমী ওফ লো, ওইনামদগী দিঙ্কু ইরেংবমনি।

খল্লবা শান্নরোইশিংনা দরকার ওইবা ফোর্মেলিটি অমসুং কোচিং লোইশিন্নবগীদমক থা অসিগী তাং ১১গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস, এময়ু সেক্রেটরী এময়ুএসসি ডাঃ সি ঐচ প্রদিপ সিংহদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা চহি অসিগী নভেম্বরগী তাং ৪দগী ৬ ফাওবা অম্রিটসরগী জিএনদু য়ুদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি তাইক্বান্দো (মেন এন্দ ৱুমেন) টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮দা শরুক য়াগদবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি তাইক্বান্দো (মেন এন্দ ৱুমেন) টিমগী মেম্বরশিং খনখ্রে।

খল্লবা নুপামচা শান্নরোইশিং অদুদি কেপিসি কোলেজদগী এস সোমোরজিৎ সিংহ (কেজি ৫৪গী মখা), ষ্টৈদর্দ কোলেজদগী টি জেটলি সিংহ (কেজি ৭৪গী মখা), বিএমসি কোলেজদগী এম সনাহল সিংহ (কেজি ৬৩গী মখা) অমদি কেএমসি কোলেজদগী এম জেমসবোন্দ (কেজি ৫৮গী মখা)নি।

খল্লবা নুপীমচাশিং অদুদি কেপিসি কোলেজদগী ও খুমনলৈমা চনু (কেজি ৪৬কী মখা), কেপিসি কোলেজদগী এন জিনা দেবী (কেজি ৪৯গী মখা), কেপিসি কোলেজদগী এন টিনা দেবী (কেজি ৫৭গী মখা), পোল ষ্টার কোলেজদগী এস প্রিয়া দেবী (কেজি ৬২গী মখা) অমদি এময়ুদগী টি লক্ষমি (কেজি ৫৩গী মখা) নি।

খল্লবা শান্নরোইশিংনা দরকার ওইবা ফোর্মেলিটি অমসুং কোচিং লোইশিন্নবগীদমক চহি অসিগী ওক্টোরগী তাং ৯ গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস, এময়ু সেক্রেটরী এময়ুএসসি ডাঃ সি ঐচ প্রদিপ সিংহদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

# ৭শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৪ঃ
ওল মণিপুর জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা জিরিবামগী এমদি অশব উদ্দিন (এমএলএ) গী লৈখিদ্রবা মমাবু নিংশিংবা ওইনা মজরুন মেমোরিয়েল ট্রোফি মিংথোনবা ৭শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ঙসি জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী শান্নবুংদা হৌদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিবু হৌদোকপগী থৌরমদা আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালায়া, জিরিবামগী প্রিন্সিপাল এস মনিতোন সিংহ না চিফ গেষ্ট, এজেএসএ প্রসিদেন্ট এম ব্রজাকন্তনা (ফঙসেল প্রসিদেন্ট অমদি এম দি দিলবাহরনা দোন্নর ওফ টুর্নামেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচতা রেলৱে ক্লব, বাবুপারা অমদি ন্যু লাইফ একাদেমী, উচাথোলগা শান্নখিবদা রেলৱে ক্লব, বাবুপারানা ন্যু লাইফ একাদেমী, উচাথোলবু গোল ১–০দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ ফাওবা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

মেটচ অসিগী অনীশুবা হাল্ফতা রেলৱে ক্লব, বাবুপারাগী জর্সি নম্বর ৯ রহুল এলোম বরভুইয়া মেটচকী ৫৫শুবা মিনটতা গোল ১ চনখি।

ন্যু লাইফ একাদেমী, উচাথোলনা রেলৱে ক্লব, বাবুপারাগী গোল অদু ফনা কন্না হন্থোক্নবা হোৎরবসু গোল হন্দাকপা ঙমদনা গোল ১–০দা মায়থিবা নঙখি।

মেটচ অসিদা মিষ্টর জোয়েলনা অহানবা রেফরি, অজিজ হায়দর অমদি কে ঐচ নিলকমলনা এসিষ্টেন্ট রেফরিনা ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা মেটচ ওইনা হয়েং সিকবোষ্টি ৱাই সি অমদি ৱাই দি সিগা শান্নরগনি।

# পিসক মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন এ কে এস এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৪ঃ
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা মিনি ষ্টদিয়ম বিষ্ণুপুরদা চত্থরিবা ৪শুবা ঐচ পিসক মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা টি ৱাই এ থিনুঙ্গৈনা এন সি ৱই দব্লিউ ও নুংসাই চিরুবু গোল ৩–১দা মায়থিবা পিখ্রে।

টিম ১৩না গ্রুপ ২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৬শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা এন সি ৱাই দব্লিউ ও নুংসাই চিরুগা টি ৱাই এ থিনুঙ্গৈগা লম্বা থেংনখি। মেটচ অদুগী ৯, ৫০ অমদি ৬০ প্লস ১ চৎপা মিনটশিংদা টি ৱাই এ থিনুঙ্গৈগী মহেসনা গোল ৩ চনদুনা মেটচ অদু মহাক্কী টিমনা মায় পাকখিবনি।

মেটচ অদুদা মায়থিহৌরবা এন সি ৱাই দব্লিউ ও নুংসাই চিরুগী অমত্তা ঙায়রবা গোল অদুনা মেটচ অদুগী ৫০শুবা মিনটতা মাইকেলনা চনখি।

মেটচ অদুগী ৩৫শুবা মিনটতা এন সি ৱাই দব্লিউ ওগী কে সিংবোইনা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌৎখি।

### এন প্রিতম অমদি এন জেমস শান্নবদা অথিংবা থমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৪ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী ইমর্জেন্সি কম্মিটিগীনা থা অসিগী তাং ৩দা পাঙথোকখিবা মিটিংগী ৱারেপ অমগী মতুং ইন্না এন প্রিতম সিংহ অমদি এন জেমস সিংহবু ক্লব অমা হেক্তদা মখা তানা নোটিস থোকক্ত্রি ফাওবা শান্নবা অথিংবা থমখ্রে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরীনা খঙহল্লক্লি।

# ১২শুবা এন বালানন্দ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল আই কে এ সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৪ঃ
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা টিম ১৫না গ্রুপ ২ থোক্লা খায়দোক্তুনা থা অসিগী ২২দগী মিনি ষ্টদিয়ম বিষ্ণুপুরদা চত্থরিবা ১২শুবা এন বালানন্দ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা আই কে এ সি ইরেংবমনা কে ৱাই দব্লিউ এ খুমনবু গোল ১–০দা থোইখ্রে।

চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী মেটচতা আই কে এ সি ইরেংবমগা কে ৱাই দব্লিউ এ খুমনগা লম্বা চানা থেংনবদা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদা নাকল অনিমক্না গোল অমফাওবা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু অনিশুবা হাল্ফকী মনুং মেটচকী মিনট ৫৮ চৎপদা আই কে এ সি ইরেংবমগী ও নাওচানা গোল ১ চন্দুনা মেটচ অদু মহাক্কী টিমনা মায় পাকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা হয়েং মখাতাবা লীগ মেটচ শান্নরগনি।

# ৩শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ৭ এ–সাইদ অন্দর ১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট কেদিএনা টিএলৱাইসিবু মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৪ঃ
তৌরাংবম লৈকায় য়ুঠ ক্লব, হৈরোক পার্ট থ্রিনা য়ুম্বু ওইদুনা হৌখিবা ওগষ্ট ৬তগী হৌদুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চত্থরকখিবা ৩শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ৭ এ–সাইদ অন্দর ১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা য়ুম্বু টিএলৱাইসিবু কবো লৈকায় দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন (কেদিএ) হৈরোক পার্ট থ্রিবু পেনাল্টি সুট আউত্তা গোল ৫–৪দা মাইথিবা পীরক্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌখ্রে।

পুন্না টিম ১২না শরুক য়াদুনা চত্থরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌনবগী লম্বীদা য়ুম্বু টিএলৱাইসিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইএসদব্লিউৱাইসি ৱাংজিংবু গোল ৩–১দা মায়থিবা পীরক্লগা সেমি ফাইনেলদা য়ুপিএসসি ৱাংজিংগা থেংনখি। মদুদা গোল ১–০দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইরিবা কেদিএনা ফাইনেল য়ৌনবগী লম্বীদা ক্বার্টর ফাইনেলদা রাইজিং ষ্টার, হৈরোক খুনৌবু গোল ৫–০দা মাইথিবা পীরমখি। সেমি ফাইনেলদা ফাইন সোসাইটি, হৈরোকপু গোল ২–০দা মায়থিবা পীরক্লগা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অপীবা মতমদা টিম অনীমক্না গোল চনবা য়াবগী তাঞ্জা ফঙনরবসু গোল ওন্থোকপদি অমত্তা ঙম্মখিদে। তুংদা রিফরিনা পেনাল্টি সুত আউতনা ৱিন্নরগী মরাইবক লেপ্পবা দিসিজন পীবদগী তাই ব্রেক কাউনবদা কেদিএনা য়ুম্বু টিএলৱাইসিবু গোল ৫–৪দা মায়থিবা পীখিবনি।

ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদুদা হৈরোক কেন্দ্রগী মীহুৎসু ওইরিবা এদুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম্না চিফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অসিদা মহাক্না ফোংদোকখিবদা হৈরোক্তা শান্নবুং কয়া শেমগৎতুনা তুংগী হৌরক্লিবা শান্নরোইশিং শেমগৎনবা থৌরাং লৈরে হায়বা ৱাফমশিং থমখি।

তুংদা টুর্নামেন্ট অসিগী মনা–মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখি। ৱিন্নর টিম ওইখিবা কেদিএনা ট্রোফিগা লোয়নন্না শেল ওইনা লুপা লিশিং ১৩ অমদি রন্নর্স অপ তাহৌরবা য়ুম্বু টিএলৱাইসিনা ট্রোফিগা লোয়নন্না লুপা লিশিং ৭ ফঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট গোল কিপরনা কেদিএগী এ সনাতোম্বা, বিষ্ট দিসিপ্লিনদা টিএলৱাইসিগী টি ঐচ রোহিৎ, বেষ্ট মিদ ফিল্ডর অমদি বেষ্ট ষ্ট্রাইকরনা টিএলৱাইসিগী এল রিকি অমসুং টি ঐচ সুজাকন্তনা ফঙখ্রে। মনা ৪ অসি হৈরোকতগী সোসিয়েল ৱার্কর টি ঐচ বসন্তনা পীখিবনি।

নাকল অমরোমদা ঙসিগী ফাইনেল মেটচকী ওইনা বেষ্ট গুদ কিপরনা কেদিএগী এ রোসন, বিষ্ট দিফেন্দরনা টিএলৱাইসিগী টি ঐচ রোহিৎ অদুগা বেষ্ট প্লেয়রনা টিএলৱাইসিগী এল রিকিনা ফঙখি।

# ৭শুবা কে কর্নজিৎ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল আই দব্লিউ এস সি অমদি পময়াল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৪ঃ
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা টিম ৭না শরুক য়াদুনা মমাং থাগী ২০দা খুরখুল অৱাং লৈকায় গ্রাউন্দা হৌদোকখ্রবা মতুং হৌজিক লোয়তাং খুনৌ স্পাইনিং মিল গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৭শুবা কে কর্নজিৎ সিংহ সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনিদা আই দব্লিউ এস সি খুম্বোং অমদি পময়াল পাৎসোই মায় পাকখ্রে।

টুর্নমেন্ট অসিগী ১০শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা মেটচতা আই দব্লিউ এস সি খুম্বোংগা এম দি এস য়ু মালোমগা মানবা মওংদা লম্বা তৌনখি। মদুদা আই দব্লিউ এস সি খুম্বোংগী খোঙসাইনা মেটচ অদুগী মিনট ১৬ চৎপদা গোল ১ চনদুনা মেটচ অদু আই দব্লিউ এস সি খুম্বোংনা মায় পাকখিবনি।

মেটচ অদুগী মিনট ১৯দা এম দি এস য়ুগী অপু অমদি মিনট ৩৫ চৎপা মতমদা আই দব্লিউ এস সিগী তাইবংঙানবনা নিয়ম কায়বা মওংদা শান্নরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনিশুবা মেটচতা পময়াল পাৎসোইগা য়ু পি সি পিসুম ওইনাম লৈকায়গা লম্বা থেংনবদা পময়াল পাৎসোইনা গোল ২–০দা মায় পাকখ্রে।

মেটচ অদুদা পময়াল পাৎসোইগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচকী ৫৯শুবা মিনটতা এন ইঙসননা গোল ১ অমদি ৬৯শুবা মিনটতা এন রনজননা গোল ১গা চনখি।

মেটচ অদুগী ৩২, ৪৩, ৬৫ অমদি ৭০শুবা মিনটশিংদা মথং সিংনা য়ু পি সিগী সোমোকান্তা, উমাকান্তা অমদি পময়ালগী রিসিকান্তা অমসুং দব্লিউ রোজেনবু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা থা অসিগী ৬তা মখাতাবা লীগ মেটশিং শান্নরগনি।

# ইম্ফাল ইষ্ট সেকেন্দ অমদি থার্দ দিভিজন ফুটবোল এম ঐচ জি এ য়ু অমদি কে এস দি সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৪ঃ
ইম্ফাল ইষ্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ঙরাংদগী অবা গ্রাউন্দ ক্ষেত্রিগাওদা চত্থরিবা এন জি বোবোই মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন অমসুং এন অপাবি মেমোরিয়েল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭দা এম ঐচ জি এ য়ু হপ্তা অমদি কে এস দি সি খুমিদোক মায় পাকখ্রে।

টিম ৭না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা এন জি বোবোই মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ২শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচতা এম ঐচ জি এ য়ু হপ্তা অমদি সি এস সি চনুং অনিনা লম্বা থেংনখি।

মেটচ অদুদা এম ঐচ জি এ য়ু হপ্তাগী এম বিজেননা মেটচ অদুগী মিনট ২৩ চৎপদা গোল ১, অথুইনা মিনট ২৪দা গোল ১ অমদি তোমনা মিনট ৪০দা গোল ১গা চনদুনা মেটচ অদু মায় পাকখি।

মায়থিহৌরবা সি এস সি চনুংগী গোল ২ অদুনা লেনচানা ৪৯শুবা মিটতা গোল ১ অমদি গৌলেননা ৫৫শুবা মিনটতা গোল ১গা চনখি।

মেটচ অদুদা ৱাই হেমন্তনা সেন্তর রেফরি, টি প্রেমজিৎনা এ আর ১, এ বোরেননা এ আর ২ অমদি এল থোইবী চনুনা ফোর্থ রেফরি ওইনা কন্দক তৌখি।

গ্রাউন্দ অসিমক্তদা টিম ১৪না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা চত্থরিবা এন অপাবি মেমোরিয়েল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা সাইপো এফ সি হৈককমপাল অমদি কে এস দি সি খুমিদোক্না লম্বা থেংনবদা কে এস দি সি খুমিদোক্না গোল ৩–১দা মায় পাকখ্রে।

মেটচ অদুদা কে এস দি সি খুমিদোক্কী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচকী ১৮শুবা মিনটতা এম দি অলি খাননা গোল ১ অমদি ৩৫ অমসুং ৪৪শুবা মিনটতা অরিৱাস খাননা গোল ২ অমগা চনখি।

অদুগা মেটচ অদুদা মায়থিহৌরবা সাইপো এফ সি হৈককমপালগী অমত্তা ঙায়রবা গোল অদুনা মেটচ অদুগী ৫৭শুবা মিনটতা এম নরেসনা চনখি।

মেটচ অসিগী ২৪ অমসুং ৬০শুবা মিনটতা কে এস দি সি হপ্তাগী এম দি সহরুখ অমদি এম দি রোহিটপু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অদু ৱাই ইঙোবীনা সেন্তর রেফরি, ৱাই দেবচান্দনা এ আর ১, দব্লিউ স্প্রিংসননা এ আর ২ অমদি এন অমর্জিৎনা ফোর্থ রেফরি ওইনা কন্দক তৌখি।

সেকেন্দ দিভিজনগী হয়েংগী লীগ মেটচ অমদা বি এস য়ু কৈরাউগা এ এস ৱাই সি অন্দ্রোগা অমদি থার্দ দিভিজনগী লীগ মেটচ অমদনা টি ৱাই দব্লিউ ও তখেলগা কে এম এস এ কৈবীগা লম্বা তৌনদুনা শান্নরগনি।

# অম্পাগী জি বি পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৪ঃ
ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসন (অম্পা)গী জেনেরেল বোদি মীটিং থা অসিগী ১৭তা এন এস কে কম্যুনিটি হোল ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবীদা পাঙথোক্লগনি। মরম অদুনা এসোসিয়েসন অসিগী লাইফ মেম্বর ওইরিবা এসোসিয়েসনশিংনা মতম চানা লাকপিদুনা শরুক য়াবিয়ু হায়না অম্পানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহলক্লি।

এসোসিয়েসন অসিদা এফিলিয়েট তৌরিবা পোলো ক্লব অমদি এসোসিয়েসনশিংনসু রিপ্রজেন্টিটিভ অমমম থাবিরক্তুনা মীটিং শরুক য়াবিনবসু চেরোল অসিনা মখাতানা খঙহলক্লি।



Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*